www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,527 | 22 Carat/g : ₹ 13,835 | 1 Kg Silver : ₹ 2,18,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,350 | WEATHER: Partly Cloudy | Temperature 29/18°C | Sunrise: 05:12 AM Sunset : 04:48 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 303 | IMPHAL, WEDNESDAY, OCTOBER 14, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | য়ুমশকৈশ, মেরাগী ৪নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পুন্সি অসি অৱা নুংঙাইগী
খোঙচৎনি কা হেন্না ৱাশিল্লুনু
কা হেন্না নুংঙাইথোকউনু

## বি জে পি এম পিশিংনা প্রসিদেন্ট মুরমুগা উনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ বি জে পিগী লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী এম পিশিংনা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু লোক সভাগী এম পিদগী লৌথোকপীয়ু হায়না ইণ্ডিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগা উনদুনা তকশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি প্রোফেসর অঙোমচা বিমোলনা জে এন য়ুগী নুপীমচা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা মতাং চাদে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৬ পাঙথোকপা মতাং চাদে হায়না মচালৈমাগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ অমুসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চহী অহুম হেল্লবা খূৎশেমগী ওইবা কাঙলুপকী ইরাং মায়োক্লদুনা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘লেপ্তনা মী হাৎলকপা ১দি লাঞ্জেন্নরিবা মতমদা পোলিটিকেলগী অনৌবা ৱাশক তৌবিরনু’

# ৱারি শান্নবগী তাঞ্জা পিরিবসি অকক্লবা মতমগী মনুংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবনিঃকে জেদ সি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা অকিবা ফংনা তম্পাক লমগী মতুংদা চীংগী লমশিংদা মীনুংশিং লৈতনা মঙক কক্তুনা মী হাৎলকপা অমদি য়ুম মৈ থাবগী থৌদোক লেপ্পা লৈতনা থোক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং খম থেংনা পেন্নদবগী খোল্লাউনা পিক থনবগা লোয়নন্না খোল্লাউ কয়া অমুক লাউবা হৌনরকখ্রে।

লমদম অসিদা লৈরিবা লুপ কয়ানা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্কদবনি হায়বগা লোয়নন্না মীশি–মীনা লেপহনগদবনি হায়বগী খোল্লাউ মরক্তা মৈতে এলাইন্সনসু চেকশিন ৱাফম কয়া থল্লকপগা লোয়নন্না লেপ্পা লৈতনা মী হাৎলকপা অমদি লাঞ্জেন্নরিবা মতম অসিদা পোলিটিকেলগী অনৌবা ৱাশক তৌবিরগনু হায়না ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মেদগী থোক্লকখিবা ইরাং অদুনা মরম ওইরগা



ঙসিসু মীওই চা কয়া রিলিফ কেম্পদা তুংদা করি ওইরক্কদবনো হায়বা তম্বা ঙমদনা অৱাবা খাঙনা পুন্সি লেল্লি। অদুবু লাইবক থিবদি হৌজিক মায়োক্লরিবা অৱাবা অমদি খুদোং চাদবশিং অসি কোকহন্নবা হান্না হোৎনবগী মহুৎতা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা ওইনা কোক থাদনদুনা লৈরে।

ষ্টেট অমদি সেন্টর গভর্ণমেন্টনা চথরক্কদবা এটেকশিংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবিয়ু লোয়নন্না সেক্যুরিটি ফেলরশিংগী মতাংদা থিগৎতুনা অৱাবা তারবা কাঙলুপশিংবু ঙাক শেন্নবা হোৎনগদবনি। লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা মীওইশিং মশা–মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা হান্না হোৎনগদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌরক্লি। নাগানা খুদাবা চীংগী লমশিংদা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দাদুনা নাগা কয়া হাৎলিবা অসিদা ম্যেন্মারদা বেজ তৌবা কুকি নেসনেল আর্মি–বর্মা (কে এন এ–বি) ...মখা লমায় ৫দা...

# নুপীগী নাতে চাদবা ফোটো, ভিদিও ললোনবদা চেন্নবনি হায়বা ১৩ ফারে

## মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু চেকশিন্না শেন্নবীয়ুঃ এস পি

ইম্ফাল, ওক্টোর ১৩ (এস এন এস)ঃ নুপী অঙাংগী নাতে চাদবা ফোটো অমসুং ভিদিও টেলিগ্রাম, ৱাটসএপ্পনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা য়োম্থোক য়োনশিন তৌদুনা ললোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১৩ বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাগৎখ্রে।





ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি চহী শুদ্রিবা অঙাং ১, বিষ্ণুপুরদগী এম রাজেশ (২১), ঐচ ধনজিৎ (১৯), ঐচ রোজিৎ (১৯), এম ক্লিন্টন (২৮), এ আরয়্য সিংহ (২৪), ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এস শাফবা (১৯), এস সিমসন (৩৪), কে রাকেশ (১৮), সি ঐচ রোবার্ট (২৭), ককচিংদগী টি ঐচ কেবেন্দিস (২১), এস অলেক্সেন্দর অমসুং থৌবালদগী কে ঐচ বিপেন (৩১) কৌই হায়রি।

মখোয়শিং অসি সোসিয়েল মেদিয়াগী খূত্থাংদা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং চথরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী মণিপুর পুলিসকী কাঙবুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## দি পি দি পি এক্ট অসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমগুম্বনিঃসোমোরজিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (এস এন এস)ঃ দিজিটেল পার্সোনেল দাটা প্রোটেক্সন (দি পি দি পি) এক্ট ২০২৩ অসি মী অমগী ফন্দামেন্টেল রাইট অমগুম্বনি। পার্সোনেল ডাটা হায়বসি য়ান্না মরু ওইবা পোৎশক অমনি হায়না আই টিগী সেক্রেটরী সোমোরজিৎ সলান্না ফোঙদোকখ্রে।

দিজিটেল পার্সোনেল দাটা প্রোটেক্সন (দি পি দি পি) এক্টকী কেপাসাটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ঙসি সাইবর কোর্পোরেসন মণিপুর লিমিটেদ (সি সি এম এল) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আই টি মণিপুরগা খূৎশন্নদুনা মণিপুরদা লৈবা সাইবর হবকী বিল্ডিং ৱানদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা ...মখা লমায় ৫দা...

## বোট মতম খরগী ওইনা থোঙ লোনগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউণ্ডদা লৈরিবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিয়েটর (বোট) শেমজিন শাজিনবগী থবক তৌগদবনা মরম ওইরগা মতম খরা থোঙ লোনগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগী ডাইরেক্তর কে দিনমনিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অঙাং উনবা পুখৎলকখিবা নুপী অমা লৈখিদ্রে, ইরাং হৌরকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ রিমস হোস্পিটালদা অঙাং উনবগী পুখৎলকখিবা মৌ নহা অমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা খোয়শাওনরবা পেসেন্ট পার্টিগী মীওইশিংনা ইরাং হৌরকখ্রে, রিমস হোস্পিটালগী পোৎ–চৈ অকায় অতোয় য়াওখ্রে।

অঙাং উনবগী পুখৎলকপদা রিমস হোস্পিটালদা ...মখা লমায় ৫দা...

## কশোম খুলেনদা এন আর সিগী এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

## য়ুমদাংবশিংবু কিদুনা চেনফম থোক্তেঃডা. এল ফাওমৈ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ কশোম খুলেন সব দিভিজন ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে কে এস দি এস য়ু)না শীন্দুনা সব দিভিজন অসিগী মনুং চন্না লৈবা খল্লাং খুলগী কম্যুনিটি হোলদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি)গী মতাংদা ‘অন্দরষ্টেন্দিং সিটিজেন্সিপ, দোকুমেন্টেসন এন্দ অৱার রাইটস’ হায়বা থিমদা এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে।

য়ুমদাংবশিংবু কিদুনা ঐখোয় চেনফম থোক্তে। মীতোপশিংদি মফম অসিদা শিবা কিরমগনি। অদুবু য়েলহৌ ফুরুপশিংদি মফম মতম্না য়াদ্রবদি শিদোক্লবসু অকায়বা লৈতে হায়না য়ুনাইটেদ জেলিয়াংরোংপুই কোওর্দিনেসন কম্মিটি (য়ু জেদ সি সি)গী কনভেনর ডা. এল ফাওমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা. ফাওমৈনা হায়, ঐখোয়না ঙসি চৈথেং কয়া ফংদুনা অৱাবা মায়োক্লরবসু হনবা লৈতনা লৌরিবা থৌদাং অসিনা পুৱারীদা তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু শোন্নহৌগদৌরিবনি। মসি ঐখোয়না খক কাউরোইসি। য়ুমদাংবশিং কিদুনা ঐখোয় চেনফম থোক্তে। মখোয়দি মফম অসিদা শিবা কিরমগনি অদুবু য়েলহৌমীশিংদি মফম মতমনা য়াদ্রবদি শিদোক্লবসু কায়দে হায়খি।

থৌরম অদু শরুক য়ারদুনা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনসু অকক্লবা মফম খরদা কাঙলোন কায়না খুল মশীং হেনগৎলকপগী মতাংদা পল্লদুনা এন আর সিগী মরুওইবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা থমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী সুনিল করাম, আই পি আর সেক্রেটরী কাংজম মহারবী, সি এন পি ও ৱার্কিং ...মখা লমায় ৫দা...

## লোসি দিখোগা কে এফ দব্লিউ বেঙ্ককী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোগা জর্ম্মন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক কে এফ দব্লিউ অমদি কম্যুনিটি বেজ সস্তেনেবল ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট ফোর ৱাটর রিছোর্সেস কঞ্জার্ভেসন ইন মণিপুর (কোসফোম) প্রোজেক্টকী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা খন্ন–নৈনখ্রে।

দিপ্যুটি সি এম লোসি দিখোগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কে দব্লিউ এফ, ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘প্রিভিয়ু সার্টিফিকেট শোয়দনা লৌবীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ প্রদ্যুসরশিংনা ফিল্ম রিলিজ তৌদ্রিঙৈদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরদগী প্রিভিয়ু সার্টিফিকেট শুংশোয় শোয়দনা লৌবীয়ু হায়না ফোরম অসিগী সেক্রেটরী রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। লাক্লিবা ওক্টোবর ২৫দগী প্রিভিয়ু সার্টিফিকেট পায়দনা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংনা ফিল্ম রিলিজ অমদি পব্লিক এগজিভিসন তৌবদসু অয়াবা পীররোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা আই এম সিদা থোমজিনখ্রে

আই এম সিগী থৌশাদবা থৌওংনা ইমা কৈথেল শিথরক্লিবনি ঃ রানী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা মশীং হেনগৎলক্তুনা কৈথেল মনুংগী পোৎশিৎ হন্থহল্লকপা য়াওনা থেংনরিবা ইসুশিং কোকহন্নবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সি)না মতম চানা থবক পায়খৎলু হায়দুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা কোর্পোরেসন অসিগী গেটতা থোমজিল্লকখ্রে।



খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ৫গী ইমাশিংনা আই এম সিদা থোমজিল্লকপা অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কোর্পোরেসন অসিগী গেট লোনশিন্দুনা খোঙজং লোইশিং অদুবু মফম অদুদা থত্তুনা থমখি। তুংদা কোন্না ৱারী শান্নরবা মতুং আই এম সিগী কম্মিস্নরগা লৈরিবা ইসুগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হায়দুনা কৈথেল মঙাগী মীহুৎ খরা গেট হাংদোক্তুনা আই এম সিগী ওফিসতা চঙহনখি। আই এম সিগী কম্মিস্নরগা ...মখা লমায় ৫দা...

## জে এ সিনা চত্থখিবা টোটেল সটদাউননা খুরাই মায়কৈদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ পাউনম ধনেশ্বর মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা লাউথোকখিবা পুং ২৪ টোটেল সটদাউননা খুরাই মায়কৈদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

ধনেশ্বরগী মথক্তা অকন অকনবা ৱাহে ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাঙ–শকখিবা মীওইশিং ফাদ্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়না জে এ সিগী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

ঙরাং অমসুং ঙসি তাইনবা অহিং নোংয়াইদগী চত্থখিবা টোটেল সটদাউন অদুনা মরম ওইরগা খুরাই মায়কৈদা লৈবা কৈথেলশিং মরু ওইনা লম্লোং



কৈথেল ফমখিদে। লম্লোং কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা দুকান অমদি স্কুলশিং হাংনখিদে। লম্লোং কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী অমদি টিন্সিদ রোদতা মী চৎপগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থখি। লম্বীশিং অসিদা টোটেল সটদাউন শৌগৎপশিং থোরক্তুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘লৈঙাক পায়নবা ৱাখল্লোল নাথৈরগা লৈবাক কন্নবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরনা মৈ হৌনা চাক্লিঙৈ মতমসিদা লৈঙাক কমদৌনা পায়গনি, মীখল কমদৌনা থেংনগনি হায়না ৱাখল থাদবদগী খরা নাথৈরগা লৈবাক কনবদা মায় হান্না ওনশিনবীয়ু হায়না সিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসি লাকশিন্নবনি হায়দুনা সেন্টরদগী সেক্যুরিটি ফোর্সেস লীশিং কয়া থারকখ্রে। মখোয়শিং অদুগা ষ্টেটতা লৈজরিবা সেক্যুরিটিশিং পুল্লগা পুন্না সেক্যুরিটি পার্সনেল লাক্ষ ১গী মথক্তা লৈরে। অদুবু নোংমা কাংদনা মীহাৎ মীপুন, মীশি মীনা থোকপদি লেপহনবা ঙমদ্রি। ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

লংশিনবসে নঙনা হৌবনি

নঙনা হান্না লংলকপা নৎত্রা



তু তু য়েংউনে সনালৈবাক্কী লৈঙাকপশিংগী মওংসি স্বাইদা তৌরিসি...

## ফারে হায়রিবা মীওই অহুম পার্টিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ পাউচেশিংদা ঙসি ফোঙনখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস কম্মান্দোনা নম্বোল কবোৱাকচিং এরিয়াদগী ফারে হায়রিবা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদগী খোংবানতাবম প্রিয়োবর্তা মৈতে অপোকপা কে ঐচ দামুদোর সিংহ, কোঞ্জেংবম জিতেন অপোকপা লৈখিদ্রবা কে থানিল সিংহ অমদি লাইশ্রম নন্দ সিংহ এলাইজ শান্ত অপোকপা লৈখিদ্রবা এল শামু হায়রিবা মীওই ৩ অসি পার্টিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী কংলৈ পুরেলনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, থৌওং ...মখা লমায় ৫দা...

## ভালুই মুইভাপমনা লৈখিদবদা প্রিপাকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ প্রিপাক্কী আর্মি শঙলুপ রেদ আর্মিগী সর্জন্ট মেজর ভালুই মুইভাপম এলাইজ তোম্বা (৩৬) অনাবা অমনা মরম ওইরগা মতম খরা লায়েংলল্লবা মতুংদা লৈখিদবদা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলুপ রেদ আর্মিনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না লৈখিদ্রবগী মফমদা নীংতম য়াওলগী মপুং ফাবা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী পব্লিসিটি ওফিসার, দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দ মঙাল খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা রেদ আর্মিগী কেদর সর্জন্ট মেজর ভালুই মুইভাপম এলাইজ তোম্বা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘ওক্টোবর ১৫দা পুং ১২গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ গী অয়ুক পুং ৬তগী নুংমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ১২গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি–অপুনবগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী পুন্সিরোল মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, চহী লীশিং অনী হেন্না নীংখা তম্বা অমদি ইশাগী লৈঙাক্লোন লৈজবা ইরমদম কংলৈপাক অসিবু কোলানিয়েল ইন্দিয়ানা নমফু শাফুদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা খূৎয়েক পীনদুনা ঐখোয়গী নীংতম্ববু লৌশিনখিবনি। নুমিৎ অসিদগী ইরমদম কংলৈপাক অসিবু কোলোনিয়েল ইন্দিয়াগী ফিবালনুংদা তিল্লে হায়বসি ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ দা লাউথোকখিবনি। হায়রিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাকনা পীবা হীদাক লাংথকশিং মীয়ামদা ফংহন্দবগী থৌওং লেপকদবনিঃমৈতে লীপুন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এসএনএস)ঃ লৈঙাক্না পীবা হীদাক লাংথকশিং ডোক্তর খরনা লৌতুনরগা মীচম মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্দবগী থৌওং চত্থবা অথুবদা লেপকদবনি।

নৎত্রবদি অরানবা থৌওং চত্থরিবা ডোক্তরশিংগী মমিং মথা মীয়ামদা লাউথোক্লগনি হায়না মৈতে লীপুননা অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।



ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লাঙ্গোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মৈতে লীপুনগী থৌবুরেল হৈস্নাম শিলন মৈতৈনা হায়, ষ্টেট অসিগী খ্বায়দগী চাউবা অনা লায়েংশঙ অমা ওইরিবা রিমসতা লায়েংলিবা অনাবশিংদা মপূং ফানা হীদাক লাংথক ফংহন্নবনি হায়দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্তর অমদি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টনা ...মখা লমায় ৫দা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### তাইকো তাদেকো

দ্রগতা লান্দাইদি তাইকো
পোপ্পী য়ান্থৎলি হায়দি তাইকো
দ্রগ লল্লোনবা ফাই হায়দি তাইকো
দ্রগ মপু ফাই হায়দি তাদেকো
পোপ্পী মপু ফাই হায়দি তাদেকো
লম মপু ফাই হায়দি তাদেকো
দ্রাই ষ্টেটনি হায়দি তাইকো
য়ু শুংবা য়াদে হায়দি তাইকো
য়ু লল্লোনবা য়াদে হায়দি তাইকো
য়ু শুংবা ফাই হায়দি তাদেকো
য়ু লল্লোনবা ফাই হায়দি তাদেকো
য়ু য়োনবা ফাই হায়দি তাদেকো
হিদাক মনা থিংই হায়দি তাইকো
হিদাক মনা পুশিল্লকপা থিংই তাইকো
হিদাক মনা য়োনবা থিংই তাইকো
জর্দা ক্বা য়োনবা থিংই তাদেকো
খৈনি য়োনবা থিংই তাদেকো
পান দুকান থিংই তাদেকো
তাইকো তাদেকো।

# লমদমসিদা মণিপুর ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ চৎনহল্লু মণিপুরী লোলগী মফম লৈঙাক্লা শেমগদবনিঃ এম এস এফ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরী খুন্নাইবু মালেমদা শক তাক্লিবা মণিপুরী লোলবু য়োকখৎনবা মণিপুর ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ চৎনহন্দুনা লৈঙাক্লা মণিপুরী লোলগী মফম শেমগদবনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী প্রসিদেন্ট হিজম রোসনননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মহৈরোই লূপ অসিগী ২৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা মহৈরোই লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা রোসননা মখা তানা হায়, ঙসি



মণিপুর মীয়াম্না ঙাঙলিবা লোল অসি ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ অমা ওইবদা নত্তনা সেদ্যুলদা চল্লবা লোল অমনি। অদুবু লৈঙাক্লা লৌরকপা এগজামশিংদা মণিপুরী লোগী ওইবা মফম অমা থমদবা অমসুং মহৈ কাঙলোনগী তাকপী তম্বীনবা প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরিগী ওৱা লৌরকপা মতমদা মণিপুরী লোলগী জগা য়াওদে। মসিমক ষ্টেট অসিগী য়াম্না চাওনা মাঙজবা অমনি। লোল অমসুং ইনাৎনা লৈবাক অমগী শক্তম অমদি মগুন ঙাক্লিবনি। মরম অদুনা লোল অসি ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ অমা ওইবদা নত্তনা সেদ্যুলদা চল্লবা মণিপুরী লোলবু মপুং ফানা শিজিন্নবা য়ানবা অথুবা মতমদা মণিপুর ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ অসি চৎনহন্নবা লৈঙাক্লা শীনগদবনি।

লোয়নন্না লেংগ্বেজ দিপার্টমেন্টনা মণিপুরী লোলদা হন্দোক্তুনা থমখ্রবা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট কয়াগী লাইরিকশিংবু ...মখা লমায় ৫দা...

## লুপা লাক্ষ ১৫গী দেথ ক্লেম কম্পনিনা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (এস এন এস)ঃ ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২৬ কী ওইনা আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিএল লাইফ ইন্সুরেন্সনা লুপা লাক্ষ ১৫গী দেথ ক্লেম পীদুনা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা লাইফ ইন্সুরেন্স কম্পনি অমা ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পব্লিকতগী ফংবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দষ্ট্রিগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিএল লাইফ ইন্সুরেন্সনা মীওই লিশিং ১০ গী মথক্তা দেথ ক্লেম মায়পাক্লা সেট্টল তৌখ্রে। ইন্সুরেন্স কম্পনি অসিগী ওইনা ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২১ দা দেথ ক্লেমগী লুপা লাক্ষ ১০ ওইরম্বা অদু ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘বীরহরিদা থৌদাং শীন্নগদবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ দব্লিউ বীরহরিদা চহী ২ অমগা মখা তানা দিসএবিলিটিগী ষ্টেট কম্মিস্নরগী থৌদাং শীন্নগদবনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি দিসএবল্ড ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স স্কোলার খ্বাইরাকপম বুধিনন্দনা হায়, দিফরেন্টলি এবল্ডশিংবু মীয়াম মমাঙদা ইজ্জৎ লৈনা অমদি থৌনা ফনা হিংহনগে হায়রবদি দব্লিউ বীরহরিদা মখা তানা কম্মিস্নরগী থৌদাং শীন্নৌ। পার্সন্স ৱিথ ...মখা লমায় ৫দা...

## ভোট পোনবা থৌরাং তৌনবা হায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা রাহুল গান্ধীদা লাক্কদৌরিবা ২০২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা পোনবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরো হায়না চেকশিন ৱাফম থমখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা বি জে পিদা শীরক্লিবা মরাল পূম্বা য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রদুনা অমিত শাহনা ফোঙদোরকখিবদা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা মীখল খূদিংমক্তা কোংগ্রেস পার্টি লেপ্পা লৈতনা মায়থিরি। মখা তানসু মায়থিখিগনি।

পার্টি ১৪গী ...মখা লমায় ৫দা...

# সি এম খেমচান্দনা এসিয়ন গেমসতা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা গোল্ড মেদলিষ্ট ৩ পূক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

জপাননা য়ুম্নু ওইদুনা আইচি নাগোয়াদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা হোক্কী মশান্নদা ৱিন্নর ওইদুনা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই অহুম চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা উন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এম য়ুম্নাম খেমচান্দনা হকথেংন্না উন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রবা গোল্ড মেদলিষ্ট অহুম অদুদি ইন্দিয়া মেন' হোক্কী টিমগী শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা অমদি ইন্দিয়া ৱুমেন'স হোক্কী টিমগী সুশিলা চনু অমসুং খারিবম বিচু দেবীনি।

এসিয়ান গোল্ড মেদলিষ্টশিং পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম শীংথানিংঙাই ওইনা লেপ্পা লৈতনা ফগৎলক্লি হায়না শীংথারদুনা জপাননা য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী মেন'স অমদি ৱুমেন'স হোক্কী টিমনা ফজরবা পার্ফোমেন্স পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুনা ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরগা হকথেংন্না উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা অদু লৌদুনা এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্টশিংগী মায়কৈদগী হোক্কী মশান্নদা ফজরবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখিবা অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা লৈঙাক্না চুন্নবা থবক পীবিনবা হায়জখি।

মায় পাক্লবা গোল্ড মেদলিষ্টশিংনা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু মুন্না তারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মথৌ তাবা এপ্লিকেসন দাইরেক্টর ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসতা পীশিল্লক্নবা খঙহনখি।

নাকল অমরোমদা উন্নবা অদুদা শরুক য়াবা গোল্ড মেদলিষ্ট অমনা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিংগীদমক ষ্টেট অসিদা অখন্নবা পোলিসি অমা চৎন্নবা হায়জরকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা সেক্রেটরী য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস নাওরেম প্রবিন সিংহনা ষ্টেট অসিদা অখন্নবা স্পোর্টস পোলিসি অমা চৎনবা হৌনবা হৌজিক হৌজিক অন্দর প্রোসেসতা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

দি আই পি আরগী পাউমীশিংগা অখন্না উনবগী থৌরম অমদা এসিয়ান গোল্ড মেদলিষ্টশিংগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মখোয়বু হরাও তরাম্না ওক্নুনা পূক্নিং থৌগৎপগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা য়ুম্নাম খেমচান্দ অসি মতম অমদা টাইক্বান্দো শান্নরোই অমা ওইরকখিবনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংগী অৱাৎপা অমসুং থল্লিবা পান্দমশিংগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবিবা অসিমক লমদম অসিগী শান্নরোইশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোকখি।

দি আই পি আরগী অখন্নবা উন্নবগী থৌরম অদুদা মায় পাক্লবা এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্টশিংগী মায়কৈদগী লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিংনা থল্লিবা পান্দম অদু মায় পাক্নিবা ফাওবা মায় লৈদুনা চেন্দনবা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিংগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংনা থল্লিবা পান্দম অদুদা পূক্নিং থৌগৎপিবা তঙায় ফদে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ষ্টেট লেভেল নেটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর নেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা ষ্টেট লেভেল নেটবোল টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি অহানবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মিক্স নেটবোল, ৪শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র ৱুমেন নেটবোল, অহানবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র , ফাষ্ট ৫, মিক্স, নেটবোল বোইজ এন্দ গালর্স, অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র , ফাষ্ট ৫, মিক্স, নেটবোল বোইজ এন্দ গালর্স নেটবোল টুর্নামেন্টশিংনি। টুর্নামেন্টশিং অসিগী ইন্ত্রিগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২১ ফাওবা অমদি ইন্ত্রি ফীনা লুপা লিশিং ১নি। হেন্না অকুপ্পা মরোল ৯৭৭৪৭৬৮৯১৮দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## কমাখ্যা পোমতোন কোলেজনা এম য়ু ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেম বিরহারি কোলেজ খুন্দ্রাকপনা য়ুম্নু ওইদুনা কোলেজ অসিগী গ্রাউন্দদা চথরকখিবা চোংথাম ওংবী রাজকুমারী তম্ফাসনা মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭দা পোল ষ্টার কোলেজ হিয়াংলমনা নুপাগী অমদি কমখ্যা পোমতোন কোলেজ হিয়াংথাংনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা পোল ষ্টার কোলেজনা কমখ্যা কোলেজ হিয়াংথাংবু সেট ২-০দা মায়থিবা পীরগা অমদি নুপীগী শান্নখিবা ফাইনেলদনা কমখ্যা পেমতোন কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু সেট ২-০দা মায়থিবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমকখিবনি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা নাওরেম বিরাহারি কোলেজ খুন্দ্রাকপমগী প্রিন্সিপাল ডা. ইরোম কুঞ্জাবাতি, কোলেজ অসিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসিকেল ইদুকেসন উশম নিলাচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবা কোলেজশিংনা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চথরিবা অহানবা মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬কী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি (সি এফ এ) অমসুং নেরোকা এফ সিনা অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ তাবদা ক্রিপ্সা এফ সি অমসুং এফ সি রেঙদাই নোনেনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেলদা এফ সি রেঙদাই নোনেনা আর এফ সি সিবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এফ সি রেঙদাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কেঐচ অমর্জিৎনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৩, ২৩শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা পুন্না গোল অহুম চন্দুনা হেদত্রিক মপুং ফাখি। অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৩২ জোনাহ কামৈনা মেটচকী ৪৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ নিঙাওচৌ কাংমৈনা মেটচকী ৪৫ প্লস ৩শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা আর এফ সি সিগী জর্সি নম্বর ৩০ কে সাতিশ, জর্সি নম্বর ৯ আরকে মঙালসনা অমদি এফ সি রেঙদাইগী জর্সি নম্বর ২২ এস সুর্জাকান্ত অমসুং জর্সি নম্বর ৩২ অলবন কামৈদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসিদা এম ননাওনা রেফরি, এল রোজিৎনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসঐচ রোবিন্সননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমদি আরকে অঙৌসনানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী মীৎয়েং মখাদা রিজনেল কোলেজ লিলোং চজিংনা শীন্দুনা চহী অসিগী নবেম্বর ১০দগী অয়েকপম প্রতাপ সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ চজিং কাংজেবুংদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোম সবমিসনগী অরোয়বা মতমনা নবেম্বর ৬গী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইরগা মেনেজর মীটি অমদি ফিক্সচর দ্রোনা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক রিজনেল কোলেজ লিলোং চজিং নত্রগা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুদগী নত্রগা ৮৮৩৭৪৫৫৯৫০ নত্রগা ৯৮৬২৫১৬৬৭৯দগী খঙলবা য়াগনি হায়না অয়েকপম প্রতাপ সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কম্মীটিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী বি সুরজা শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সাউঠ কোরিয়াগীদমক থাঙ-তাগী শান্নরোই অনী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ১৫দগী ১৮ ফাওবা সাউঠ কোরিয়াগী চুংজু-সি চুং চিওংবুক-দোদা ৱাল্ড মার্সিয়েল আর্ট য়ুনিয়ন (দব্লিউ ও এম এ য়ু) শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল মার্সিয়েল আর্টস কন্টেষ্ট ২০২৬ (আই এম এ সি)তা শরুক য়ারুনবা ৱার্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট অমদি থাঙ-তাগী শান্নরোই অনী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা থাঙ-তা শান্নরোই অনী অদুদি লোয়াম্বা নিংথৌজম অমসুং মিথোইবা অসেমনি অমদি ৱার্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনি।

লোয়াম্বা অমসুং মিথোইবানা সিঙ্গল (বরে হেন্দ), সিঙ্গল (ৱেপন), দুও (বরে হেন্দ), দুও (ৱেপন), গ্রুপ, মার্সিয়েল আর্ট বেট্টল, টি এস জি বেট্টল (ত্রেদিসনেল স্পোর্টস এন্দ গেমস) অমসুং মার্সিয়েল আর্টস ফিটনেস কন্টেষ্ট ফোর য়ুঠ (হেন্দ, কিকস, ৱেপন এন্দ টি বি এ)নচিংবশিংদা অথোই অহেন তান্নগদৌরি।

ৱার্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা কন্টেষ্ট অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্টস য়ুনিয়নগী ২৫শুবা এনুয়েল জেনরেল মীটিং ২০২৬তা ফুল টাইম মেম্বর ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

## এ আই এফ এনা লাংমৈদোং থোয়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ২৩শুবা কেএসঐচ লৈহাও মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ আই এফ এ ইরেংবন্দ মায় পাকখ্রে।

মেটচকী ১৩শুবা ওইনা শান্নখিবদা এ আই এফ এনা এল এম এল সি সি লাংমৈদোংবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এ আই এফ এগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ মালেমঙানবনা চনখি।

দি এস এ গ্রাউন্দ অসিমক্তা চথরিবা ২২শুবা ক্ষেত্রিময়ুম কিশোরকুমার সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সি সোরা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা এস এফ সি সোরানা এ কে এস এ ককচিং খুনৌবু গোল ৪-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এমদি নাসির খাননা মেটচকী ২১শুবা, জর্সি নম্বর ৮ এমদি ইজাজ অহামদনা মেটচকী ৩০শুবা অমদি জর্সি নম্বর ২৩ এল সোহেননা মেটচকী ৫৬শুবা অমসুং ৭২শুবা মিনিটতা চনখি।

## তোনসেন এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চথরিবা দি সি চান্দেল ত্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তোনসেন এফ সিনা লৈশোকচিং ৱাই দি ওবু গোল ৪-১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা তোনসেন এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ অকবরনা ১৩শুবা, জর্সি নম্বর ৯ ৱারপানা মেটচকী ৪৮শুবা, জর্সি নম্বর ১১ জোনাথননা ৫০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ ষ্টেফেননা ৭০শুবা মিনিটতা চনখি।

গ্রাউন্দদা অসিদা শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজনগী মেটচশিংদনা অঙ্খোল চয়াং ৱাই সিনা মহামনি ৱাই সিবু লাকচানা গোল ১০-০দা অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা রিংদামখু এস সিনা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ৱাই সিবু গোল ২-১দা ময়থিবা পীখি।

## ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট: মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি), ক্রিপ্সা অমসুং ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব মায় পাক্লখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পোলো গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি), ক্রিপ্সা অমসুং ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ক্রিপ্সানা অৱাং কৌক্রু পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ক্রিপ্সাগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্র অমসুং অনীশুবা চক্রন্দা পাঞ্জল অমমম, অহুমশুবা চক্রন্দা ৩ অমসুং মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল ২ স্কোর তৌখি।

জর্সি নম্বর ৩ দব্লিউ রুপানা অহানবা চক্রগী ৩.২১শুবা মিনিট অমসুং অনীশুবা চক্রগী ৪.৫৫ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অহুমশুবা চক্রন্দা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ ঐচ রেনিসননা ৫.৩৭ অমসুং ৭.৭০শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ৩ দব্লিউ রুপানা ৬.৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

অরোয়বা মরিশুবা চক্রন্দা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ দব্লিউ রুপানা মহাক্কী মরিশুবা গোল ওইনা ১.৩৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কে প্রেম কুমারনা ৫.৪০শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা অৱাং কৌক্রু পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা চক্রগী ৫.২৫শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৩ কেঐচ সঞ্জু মৈতৈনা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদনা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব হৈঙাংনা য়ু পি সি (বি) লাঙ্গোলবু লাচকনা পাঞ্জল ১৬-২দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা ২, অনীশুবা চক্রদা ৮, অহুমশুবা চক্রদা ৪ অমসুং মরিশুবা চক্রদা ২ স্কোর তৌখি।

অহানবা চক্রন্দা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ এন সদানন্দনা ৪.২৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২ ঐচ প্রিতমনা ৫.৩৮শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ এন সঙ্করনা ০.৫০,১.৩৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ১ এন সদানন্দনা ১.১৬, ২.২৮ অমসুং ৪.১৫শুবা মিনিটতা অহুম, জর্সি ২ ঐচ প্রিতমনা ৩.৩৯, জর্সি নম্বর ৫ টি ওসান্তনা ৪.৫৯ অসুং ৫.৩০শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ এন সদানন্দনা ০.১৭, ১.৩৪ অমসুং ৩.২৬শুবা মিনিটতা, অরোয়বা মরিশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ টি ওসান্তনা ১.৫৯শুবা মিনিটতা চনখি। জর্সি নম্বর ৫ টি ওসান্তনা ০.১৭শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৪ এন সঙ্করনা ৩.০৭শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা য়ু পি সি (বি)গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা অমসুং মরিশুবা চক্রদা অমমম চনখি। অহানবা চক্রন্দা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২২ সিঐচ লুখোইনা ২.২৮শুবা অমদি জর্সি নম্বর১২ এ নিংথিবানা মরিশুবা চক্রগী ৪.৩০শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) (সি)না কংলৈপাক পোলো ক্লব লাইফম খুনৌবু পাঞ্জল ১৪-২দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এম পি এস সি (সি)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা ৩, অনীশুবা চক্রদা ৩, মরিশুবা চক্রন্দা ৫ অমসুং মরিশুবা চক্রদা ৩ স্কোর তৌখি।

অহানবা চক্রন্দা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ কেঐচ দিনেসনা ২.৪০ অমসুং ৫.০৮শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ১ এম সুর্জিৎনা ৪.৪০শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা কেঐচ দিনেসনা ০.৫০শুবা অমসুং ৫.৫৮শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ৪ এস অরুননা ৫.০৭শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ এম দেভানাথনা ০.১০শুবা, ১.৩০শুবা, ২.১৫শুবা অমসুং ৫.৫২শুবা মিনিটতা গোল মরি অমদি জর্সি নম্বর ৩ কে সরাথকান্তনা ০.৩০শুবা মিনিটতা চনখি। অরোয়বা মরিশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ২ এম দেভানাথনা মেটচ অসিদা মহাক্কী অপূনবা পাঞ্জল মঙাশুহনবা ঙমখি। অমদি জর্সি নম্বর ৪ এস অরুনসু মেটচ অসিদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল ওইনা ৬.৫৯শুবা মিনিটতা চনখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফার্ষ্ট দিভিজন অমসুং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী অহানবা সলাম সনাতোম্বী সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬-২৭ অমদি থা অসিগী ১৮দগী ৩১শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ কে ৱাই সি খুরখুল গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

সুপর দিভিজনগী টিম ৭ শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা লীগ অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, জিল্লা পরিষদকী কিয়রটেকর হৈখাম দেবেন্দ্রোনা, সেকমাই এ সিগী ও সি করাম অভিজিৎ অমসুং দোনর অহানবা সলাম সনাতোম্বাসিংহ মেমোরিয়েল সপুর দিভিজন ফুটবোল লীগকী দোনরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ মেঘাচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্টগী ওপনিং মেটচ ওইনা কে ৱাই সি (এন) অমসুং এন সি ক্লবনা শান্নরগনি।

সুপর দিভিজন অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি খুরখুল য়ুঠ ক্লব (নোঠ), য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব, চজিং ইনাৎ কনবা লুপ, য়াইস্কুল এঠলেটিক্স ক্লব, সলাম জুবেনাইল ক্লব, নোঠন ক্রোউন ক্লব, পাৎশোই মখা য়াইফা লুপনি।

ফার্ষ্ট দিভিজনদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ক্রিপ্সা নাওরেমথোং, এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাই, য়ু এস সি ফয়েং, বি এম এস সি তাওবুংখোক, এন বি সি এ তাকয়েল খোংবাল, ইমা এফ এ ৱাঙ্গোয় অমসুং আই এফ সি লম্ফেলনি।

নাকল অমরোমদা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৮দগী হৌগদৌরিবা ২৬শুবা সুপর দিভ্নি অমদি ৩১ শুবা অহানবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬-২৭দা কন্দক তৌগদবা ওফিসিয়েলশিংগী ক্লিনিক রেফরি এসেসর এল অজিৎকুমর অমদি এস কেনেদিগী মখাদা পাঙথোক্লগনি।

লোয়ননা লীগ অনী অসিগীদমক এন তোম্বানা চিয়ারমেন, এ বাবুনা কনভেন্নর ই রোবার্টসননা কো-কনভেন্নর, এল অজিৎকুমার মৈতৈনা রেফরি এসেসর, এল নোংদ্রেনখোম্বা মৈতৈনা মেটচ কম্মীস্নর অদুগা রেফরি অমদি এসিষ্টেন্ট রেফরিদা টি হেমন্তা, এস তোম্বী, চৌগিইলুং পালমৈ, ঐচ মহেস, এ শাফবা মৈতৈ, টিঐচ রাঘু, টিঐচ রোবিন, এস নেত্রজিৎ, টিঐচ রঞ্জয়, টি দিয়া চনু, এল হরিমোহন, এনজি অনন্দ, এস ওনিল, এল সান্ত মৈতৈ অমসুং এন সন্তোশনা হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কে ইবোতোম্বী মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা নুপীশিংগী ওইবা ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ২৩২শুবা মহিলা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা অন্দর ১৮গী নুপীশিংগী ওইবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা, দামদৈ খৃষ্টিয়ান কোলেজ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরকপা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৩গী নুপী শান্নরোই ১৮৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৮ মখাগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর টিম গুলাপনা ওইদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০গা লোয়ননা ট্রোফি, মেদল অমদি সার্টিফিকেট, রন্নর অপ তাখ্রবা ফোইনিক্সতা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০গা লোয়ননা ট্রোফি, মেদল অমদি সার্টিফিকেট, থার্দ পোজিসন তাখ্রবা স্কাদ ৮তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা গুলাপ টিমগী চিনবোইলহিং কিপজেন, বেষ্ট স্পাইকরনা মিক্স-৬ টিমগী কিমনুনহোই, বেষ্ট সেট্টরনা ফোইনিক্স টিমগী হোইনৈকি, বেষ্ট সভরনা মিক্স টিম-৬গী লহাইনুন কিপজেন অমদি বেষ্ট দিফেন্দরনা গুলাপ টিমগী নৈনুননেম কিপজেননা তাদুনা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩।৩ গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা কাংপোকপীগী এস পি এসঐচ রাহুল গুপ্তা অমদি ২৩২ মহিলা বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

## য়াইস্কুল কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা য়াইস্কুল কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা য়াইস্কুলনা গোপালদেব (ওল্ড) কাংখুৎনা পাঞ্জল ২২-১১দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা য়াইস্কুলগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা ১০ অমসুং অনীশুবা হাল্ফ ১২ স্কোর তৌখি।

## ইন্দিয়ান ৱুমেন'স হোক্কী টিমগী গোলকিপর বিচু দেবী খারিবম এ জি মেমোরিয়েল একাদমিনা তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, (এস এন এস)ঃ

জপানগী আইচি নাগোয়াদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ান ৱুমেন'স হোক্কী টিমগী গোলকিপর বিচু দেবী খারিবম মহাক্না পীক্লিঙৌদা তলম্লবা স্কুল এ জি মেমোরিয়েল একাদমি থৌবাল চরাংপাৎকী ওজা, ষ্টাফিশিং অমদি মহৈরোইশিংনা তরাম্না ওক্নুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

চরাংপাৎ মনিং লৈবাকইদা বিচু ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা লৈহুক্নুনা মহাক্কী লৈকাইগী অরোয়বা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুং স্কুল অসিগী কেম্পতা তরাম্না ওক্নুনা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

বিচুবু ওকখিবা থৌরম অদুদা এ জি মেমোরিয়েল একাদমিগী ঐচ দিশু ওইরিবা প্রিন্সিপাল থিয়াম মাষ্টর, স্কুলগী হোক্কী কোচ শগোলশেম রোমাইকুমার, বিচুগী অপোকপা-অপোকপী খারিবম রোমেন অমদি ইবেম্মানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হোক্কী মশান্নদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈগী ওইনা অহানবা ইন্টরনেসনেল ইনভাইটেসন ফংলবী হোক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট বিচু খারিবমনা মহাকপু তরাম্না ওকপিববু অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা একাদমি অসিগী প্রিন্সিপালদা টি-সার্ট অমসুং হোক্কীগী খুদোল তন্নদুনা হায়, মহাক্না পীক্লিঙৌদগী ক্লাস ৫ ফাওবগী স্কুলিং অসি এ জি মেমোরিয়েল একাদমি স্কুল অসিবু উবদা অপেনবা পোকচৈ। তুংগী হৌরক্লিবা য়ুঠশিং, মরু ওইনা স্কুল অসিগী স্পোর্টসকা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়রদুনা মহৈরোই অমনা শান্নবা অমদি লাইরিক পাবা তুন্না চৎমিন্নগদবনি। অমবু মিরাইবা য়ারোই। শান্নরিনি হায়দুনা লাইরিক পাবাবু মীরাইবা চুন্নোই। মপান লম থোক্লকপদা লাইরিক্কী মঙাল য়াওদনা করিমত্তা মায়োক্নবা ঙম্লোই।

অমরোমদা লাইরিক্তা নাওরিবনি হায়দুনা লাইরিক্তম পারবদি হকচাংগী ওইনা অনা-অয়েক কয়া য়াওরকপা য়াই। মরম অসিনা ঐখোয়না শান্নবসু কন্না শান্নশি, লাইরিকসু কন্না পাশি, ঐ-ঐগী স্কুল, ইরৈকাই অমদি ইরমদমগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনশি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

ওকপগী থৌরমদা এ জি মেমোরিয়েল একাদমিগী প্রিন্সিপাল টিঐচ মাষ্টরনা হায়, বিচুনা হন্দক এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকপা অসি স্কুল অসিখক হরাওজবা নত্তনা ইরমদম অসিগী মীওই খুদিংবুসু হরাওহল্লি। শোৎনা মতম কুইনা লৈরক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হোক্কীদসু অনৌবা ময়োল অমা চোংহনবিরে, স্কুল অসিমক্তসু ঐখোয়সু বিচুগুম ওইগনি হায়দুনা হোক্কী শান্নজগে হায়বা শান্নরোই, মহৈরোই কয়া থোক্লক্লে। মসিগীদমক ঐখোয়না বিচুবু য়াম্না চাউথোকচৈ। লাক্কদবা ওলেম্পিক গেমসতসু ইন্দিয়ান ৱুমেন'স হোক্কী টিমনা মায় পাক্নুনা ইরম, ইরৈবাক অসিগীদমক মিংচৎ পুরকপা ঙম্লসনু হায়না ফোঙদোকখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com